# বি জে পিনা উত্তর প্রদেশ অমদি উত্তরখন্দদা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংবা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী):
ষ্টেট মঙাদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী ফল লাউথোককখিবগা লোয়ননা উত্তর প্রদেশ অমদি উত্তরখন্দদা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংবা ঙমখ্রে।

গোৱা অমদি মণিপুরদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা লম্বা পানখিবগা লোয়ননা উত্তর প্রদেশতা রাহুল গান্ধী অমদি অখিলেশ যাদবনা লুচিংবা কোংগ্রেস অমদি সমাজৱাদি পার্টিগী এল্লাইন্সপু বি জে পিনা মায়থীবা পীখি। ষ্টেট অসিদা বি এস পিগী ময়াৱতিনা অমুক হন্না মায় পাক্কবা হোৎনরকখিবা থৌরাং অমসু বি জে পিনা মায় পাকপা ঙমহনখিদে।

রাহুল গান্ধীনা লুচিংবা কোংগ্রেসনা উত্তরখন্দ অমদি য়ু পিদা মায়থীখিবা তারবসু পঞ্জাবতা মায় পাকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদসু মায় ঙাকপা ঙমখি। পুন্নমক অসি ওইদুনসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিনা য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেট ওইরিবা য়ু পিদা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদসু বি জে পি অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা অপনা দলনা য়ু পিগী অপূনবা সীট ৮০ গী মনুংদা ৭৩ ফংবা ঙমখি। কুমজা ২০১৭ কী এসেমব্লি ইলেক্সন অসিবু মীয়াম্না এন দি এ গভর্ণমেন্টকী দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা রেফরেন্দম অমা ওইনা লৌনরি। মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবা থৌওং অদু মীয়াম্না শৌগৎলি হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি হায়না লৌনরি।

রাহুল গান্ধী, মমতা বেনর্জী, অখিলেশ যাদব, অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, লালু প্রসাদ যাদব অমদি অতৈ তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল লীদর কয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী দিমোনেটাইজেসনবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

য়ু পিদা অখিলেশ যাদব অমদি রাহুল গান্ধীনা এল্লাইন্স শেমদুনা গভর্ণমেন্ট পায়নবা হোৎনরবসু মীয়াম্নদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মফমদা হেন্না থাজবা থম্মী হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙল্লে।

ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা অপূনবা সীট ৩২৫দা মায় পাক্তুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংবা ঙমখি। সমাজৱাদি পার্টি অমসুং কোংগ্রেসকী এল্লাইন্সনা শুপ্নগী সীট ৫৪ দগী হেন্না ফংবা ঙমখিদে। ময়াৱতিনা লুচিংবা বি এস পিনা সীট ১৯ ফংলগা অতৈ অতোপ্পা পার্টিশিংনা সীট ৫ খক ফংবা ঙমখি।

উত্তরখন্দদসু বি জে পিনা অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫৭ তা মায় পাক্তুনা গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসনা শুপ্নগী সীট ১১ ফংখিবগা লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা পার্টিশিংনা সীট ২ ফংখি।

পঞ্জাব অমসুং গোৱাদদি কোংগ্রেসনা মাঙজিল থারি। পঞ্জাবতা কোংগ্রেসনা সীট ৭৭ ফংখিবদা সিরোমনি অকালি দল (এস এ দি) অমসুং বি জে পিগী এল্লাইন্সনা সীট ১৮ ফংখি। ষ্টেট অসিদা এ এ পিনা গভর্ণমেন্ট পায়নবা হোৎনখ্রবসু সীট ২০ দগী হেন্না ফংবা ঙমখিদে।

গোৱাগী ওইনদি কোংগ্রেসনা সীট ১৭ ফংদুনা সীট খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা পার্টি ওইরে। বি জে পিনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৩ দা মায় পাক্তুনা অনীশুবদা লৈরি। অতৈ অতোপ্পা পার্টিশিংনা সীট ১০ ফংবা ঙমখি।

মীখলগী ফল লাউথোরকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বি জে পিদা থাজবা থম্বীবগীদমক মীয়ামদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পার্টিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহ অমদি অতৈ ওফিস বিয়াররশিংগী মফমদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ১২৫ গী চাউখৎ থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনবদা মায়কৈ খুদিংমক্তগী মতেং পাংবীরকপগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎলি। ষ্টেটকী ওফিস বিয়াররশিং অমদি পার্টিগী ৱার্কর খুদিংমক্কী হোৎনজমলনা হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা সীট মশীং য়াম্না ফংবা ঙমখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



# ছটিশগরগী সুকমাদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা এটেক চথুরকপদা সী আর পি এফ ১২ শিরে

রাইপুর, মার্চ ১১ (এজেন্সী):
চহী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাওনা চথুরকখিবা এটেক অমদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা ঙসি ছটিশগরগী সুকমা দিষ্ট্রিক্টতা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী জৱান ১২ হাৎখ্রে।

সী আর পি এফকী ২১৯ শুবা বট্টালিয়নগী জৱানশিংনা ভেজি অমসুং কাটাচেরুগী লোন্নবা মফম অমদা রোদ ওপন্নিং পার্টি (আর ও পি) দ্যুটি তৌরিঙৈদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা মতিক ময়াই লৈরবা ইম্প্রোভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আই ঈ দি) অমা পোকখায়হল্লকখি। লোয়ননা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা সুকমা দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অভিসেক মিনানা হায়খি, অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেল কয়া থৌদোক থোকফমদা থাজিন্দুনা রেস্ক্যু অমদি রিলিফ ওপরেসন চথুহল্লি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা সী আর পি এফকী জৱানশিং ভেজি তম্না পুরকখিবগা লোয়ননা অশোক-অপন নংলবা মীওই পুন্নমক রাইপুরদা পুরক্তুনা লায়কন্নরি। পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা লৈখিদ্রবা সী আর পি এফকী জৱানশিং অদুদগী তোঙান-তোঙানবা খুৎলায় ১০ অমসুং রেদিও সেট মুন্দুনা পুখ্রে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী এটেক অদুবু পাঙদবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, বাষ্টার রিজনদা মখা তানা লৈবা ঙমদ্রবা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা অতৈ অতোপ্পা মফম কয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মথক্তা এটেক চথুদুনা মীয়ামগী পূক্নিংদা মীপাইবা পোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লে। মাওইষ্ট লালহৌবশিং তকথোকখিনবগী পান্দমদা থৌদোক থোকফমগী অকোয়বদা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা পাক শন্না থিবা-হুন্বগী থবক চথুরি।

থৌদোক থোকফমদা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এ এন উপধ্যায়, স্পেসল দিরেক্টর জেনরেল (নক্সল ওপরেসন্স) দুরগেশ মাধব অৱস্থি, বাষ্টারগী ইন-চার্জ ওইরিবা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সোন্দরাজ পি অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসল কয়া থৌদোক থোকফমদা থুংলখ্রে।

বাষ্টার রিজনদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা হৌখিবা থা কয়ামরুম মখল অমত্তগী থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোকহনবা তৌদনা তুমিন্না লৈরকখিবনি। কালেন থা চঙলকপগা ইরোয়ননা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী ঈহৌ অমুক হন্না কনখৎলক্লগনি হায়না থাজনখি। অয়াম্বা মতমদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা মার্চ অমদি জুলাই থাগী মরক্তা মখল কয়াগী এটেক চথুদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ছটিশগরদা সী আর পি এফকী জৱান ১২ শিখিবগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, অথুবা মতমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা সুকমাদা চৎতুনা ফীভম য়েংশিল্লুরগনি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, সুকমাগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা জৱানশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি।

মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী অকনবা মফমনি হায়না লৌনরিবা সুকমা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক সী আর পি এফকী আর ও পি দ্যুটি তৌবা কাঙবু অমদা লালহৌবশিংনা এটেক চথুরকপদা সী আর পি এফকী জৱান মঙাসু অশোক-অপন নংখি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা সী আর পি এফকী জৱান ১২ হাৎখিবগী থৌওং অদু অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা হায়খি, লৈবাক্কী মথৌ পাঙথোক্কবা হোৎনবদা থৱায় থাখ্রবা জৱানশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎলি। ইন্দিয়ানা টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজংদা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মতুং তারকপদসু মালেমদগী টেররিজম মুথৎনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌখিগনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমদি অশোক-অপন নংখ্রবা জৱানশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না সোনিয়া গান্ধীনা মখা তাখি।



# ইন্দিয়ানা ব্রহ্মোস মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রে

বালাসোর, মার্চ ১১ (এজেন্সী):
ওরিষাগী সমুদ্রা মপান্দা ঙসি ইন্দিয়ানা কিলোগ্রাম ৩০০গী ৱারহেদ পুবা ঙম্বা ব্রহ্মোস সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রে।

দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)গী ওফিসলশিংনা হায়খি, অয়ুক পুং ১১.৩৩ তাবদা চান্দিপুরগী ইন্টিগ্রেটেদ টেষ্ট রেঞ্জ (আই টি আর)দগী মোবাইল লোঞ্চর অমা শীজিন্নদুনা ক্রুজ মিসাইল অদু মায় পাক্না চাংয়েং তৌখিবনি। কিলোগ্রাম ৩০০ লুম্বা ৱারহেদ পুরগা কিলোমিটর ৪৫০ শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল অদু পালহন্নীংবা টার্গেটতা চপ চানা পালহনবা ঙমখি হায়না প্রোজেক্ট অসিগা মরী লৈনবা দি আর দি ওগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মথাং অনী লোংবা মিসাইল মাঙজৌননা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং নেভিদা শীজিন্নহনবা লৈখ্রবনি। এয়রফোর্সতা খুৎশিন্নগদবা মিসাইল অসিগী অতোপ্পা ভর্জন অমা শেমগৎপগা লোয়ননা চাংয়েং তৌনবা হোৎনরি। ইন্দিয়ন আর্মিগী ওইনা ব্রহ্মোস মিসাইলগী রেজিমেন্ট অহুম লৈরে। নেভিগী ওইনদি কুমজা ২০০৫ দগী হৌনা ব্রহ্মোস মিসাইল সিষ্টেম শীজিন্নবা হৌহনখি। কুমজা ২০১৪ গী জুনদা আই এন এস কোলকট্টাদগী অনীরক হন্না ব্রহ্মোস মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রবা মতুংদা মিসাইল সিষ্টেম অসিগী এয়র লোঞ্চ ভর্জন অমদি সবমেরিন লোঞ্চ ভর্জন শেমগৎপা হোৎনরি। আর্মিনসু রেজিমেন্ট অহুমদা ব্রহ্মোস মিসাইল দিপ্লোয় তৌনবগীদমক অকনবা থৌরাং লৌখৎপা হোৎনরি।

ইন্দিয়া অমদি রসিয়াগী জোইন্ট ভেঞ্চর ওইরিবা ব্রহ্মোস এরো স্পেসনা মিসাইল সিষ্টেম অসিগী এয়র ভর্জন শেমগৎতুনা চাংয়েং তৌনবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না প্রোজেক্ট অসিগা নক্কবা ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১১ দা ইন্দিয়ানা ওরিষাগী সমুদ্র মপান্দা ইন্টরসেপ্টর মিসাইল অমা মায় পাক্না চাংয়েং তৌবা লৈখ্রবনি।

অয়ুক পুং ৭.৪৫ তাবদা অব্দুল কলাম আইলেন্দ (হ্বিল্লর আইলেন্দ)গী ইন্টিগ্রেটেদ টেষ্ট রেঞ্জদগী ইন্টরসেপ্টর মিসাইল অদু থাগৎখি। চাংয়েং অদু মায় পাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়ানা মথাং অনী লোংবা বোলিষ্টিক মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম মায় পাক্না শেমগৎপা ঙল্লে হায়না লৌবা য়ারে।

দি আর দি ওগী ওফিসল অমনা হায়খি, মালেমগী ঈশিং-নুংশিৎকী কুয়োম (এটমোস্ফ্যের)দগী কিলোমিটর ৫০ ৱাংবা মফমদা লৈবা টার্গেটতা পালহন্নবগী পান্দমদা চাংয়েং অদু পাঙথোকখিবনি।

ইন্টরসেপ্টর মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখিবগী থৌওংবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম শেমগৎপদা শরুক য়াখিবা সাইন্টিষ্টশিংগী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হৌজিক্তি ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা ইন্টরসেপ্টর মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখিবগী খুদম পুথোরকউ হায়না তকশিল্লকপা য়াই। মমাঙদা ইন্দিয়ন আর্মিনা পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে)দা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথুখিবা মতমদা ওপোজিসননা খুদম পুথোক্নবা তকশিল্লকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইস্রো)না ফেব্রুৱারী ১৫ দা সেটলাইট ১০৪ পূন্না থাগৎতুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্বা লৈখ্রবনি।

শ্রীহরিকোটাদগী পোলর সেটলাইট লোঞ্চ ভেহিকল (পি এস এল ভি-সী ৩৭) দা সেটলাইটশিং অদু পূন্না থাগৎখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা মায় পাক্না তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রবা মতুংদা ইস্রোগী সাইন্টিষ্টশিংনা ইন্দিয়াবু স্পেসকী লমদা খুমাঙ চাউশিনহনবগা লোয়ননা মালেমগী মাঙজিল থাবা লৈবাকশিংগী মনুং চনবা ঙমহনখি।



# মতম চানা ৱায়েল চখনবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী):
লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা হায় কোর্ট অমদি ট্রাইএল কোর্টশিংনা কেস খুদিংমক মতম চানা ট্রাইএল চথুদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা হায়বসি হ্যুমেন রাইটসকী শরুক অমনি হায়না পল্লদুনা জষ্টিশ অদর্স কুমার গোইল অমসুং জষ্টিশ য়ু য়ু ললিটকী বেঞ্চনা হায়খি, মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমদ্রবদি মীয়াম্না জষ্টিশ সিষ্টেমদা থাজবা মাঙলকপা য়াই।

কনাগুম্বনা বেল পীবীয়ু হায়না থারকপা পিটিসন খুদিংমক চয়োল অমগী মনুংদা ট্রাইএল চথুদুনা অচুম্বা ৱায়েল পীগদবনি অমসুং জেলদা লৈরিবা অন্দর ট্রাইএল প্রিজনরশিংগী ৱায়েল চথবনা থা ৬কী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়নসু সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি।

বেঞ্চ অদুনা হায়খি, তমথীবা ক্রাইম তৌরুবগীদমক জেলদা লৈরবা মীওই অমগী মথক্তা সেসন্স কোর্টনা চথবা ট্রাইএল খুদিংমক চহী ২গী মনুংদা লোইশিনবা মথৌ তাই।

হায় কোর্ট খুদিংমক্কী চীফ জষ্টিশশিংনা মমাঙদা এপেক্স কোর্টনা পীখিবা য়াথং খুদিংমক ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই হায়নসু বেঞ্চ অদুনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৩ দা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অমনা কুমজা ২০০৮ দগীনা কুমজা ২০১২ ফাওবগী মনুংদা মধ্য প্রদেশতা এম বি বি এস তম্নবগীদমক মিং চনখ্রবা মহৈরোয় ৫০০ হেনবগী এদমিসন কক্লবা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

মহৈরোয়শিংনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন খুদিংমক চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়া জে এস খেরানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা দিসমিস তৌখি।

মহৈরোয়শিংগী মহুৎ শীনখিবা প্রগটিনা হায়খি মদুদি, সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসি মহৈরোয়শিংগীদমক্তদি নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি।

সী বি আইগী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০০৮, কুমজা ২০০৯ অমসুং কুমজা ২০১১ দা ব্যাবসায়িক পরিক্ষ্য মন্দল (ব্যাপাম)না লৌবা প্রি মেদিকেল টেষ্টতা মথক্তা পনখ্রিবা মীওই ৬০ অসিনা লৌতুনরগা অরানবা থৌওং কয়ামরুম চথুখি।

তোঙান-তোঙানবা থাক্তা লৈরিবা পুলিস সার্ভিসকী হাঙদুনা লৈরিবা ফমশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল য়াওবা এফিদেবিট ফাইল তৌরক্লবগী মতাংদসু সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট খুদিংমক্কী হোম সেক্রেটরিশিংদা খঙহনবা লৈখ্রে।

চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি, পুলিস সার্ভিসকী ফম হাঙদুনা লৈবা হায়বসি য়াম্না মরুওইনা লৌফম থোকই। মরম অদুনা চয়োল মরিগী মনুংদা হোম সেক্রেটরিশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা এফিদেবিট ফাইল তৌরক্কদবনি।

জষ্টিশ এন ভি রামনা অমদি জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, করিগুম্বা অপীবা মতম অসিগী মনুংদা এফিদেবিট ফাইল তৌরক্তবা থোক্লবদি হায়রিবা ষ্টেট অদুগী হোম সেক্রেটরি কৌখৎলগা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎনবা হোৎনগনি।

য়াম্না মরুওইবা ৱাফম ওইবনা চয়োল মরিগী মনুংদা ষ্টেট খুদিংমক্না হীরম অসিগী মতাংদা এফিদেবিট ফাইল তৌরক্কদবনি হায়না বেঞ্চ অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বেঞ্চ অদুনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অসি মপুং ফানা ঙাকহন্নবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চয়োল অমগী মনুংদা ষ্টেট খুদিংমক্কী হোম সেক্রেটরি-শিংদা ৱাফম অসি খঙহনখিগদবনি।

ষ্টেট খুদিংমক্তা পুলিসকী ওইনা তোঙান-তোঙানবা থাক্কী ফম হাঙদুনা লৈবা মরম্না লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শোকচিল্লক্লে হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমগী হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা এপেক্স কোর্টকী য়াথং অসি পীখিবনি। পিটিসনরনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পুলিসকী ফম লাখ ৫.৪২ হাঙদুনা লৈ হায়রি।

অমরোমদা, অরানবা থৌওং চথুরুবগীদমক আই এ এস অমদি আই পি এস ওফিসরশিংগী মথক্তা চথুবা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি খুদিংমক থা ৬কী মনুংদা লোইশিল্লগা রিপোর্ট পীরক্কদবনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা ওল ইন্দিয়া সার্ভিস (দিসিপ্লিন এন্দ আপিল) রুলস, ১৯৬৯গী মতুংইন্না ইনক্বারি মায়োক্লরিবা ওফিসর অমনা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা মশা ঙাকথোকচনবা ৱাফমশিং অইবা ওইনা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

নৌনা শেমদোক্লবা রুল অসিগী মতুংইন্না আই এ এস অমসুং আই পি এস ওফিসরশিংগী মথক্তা চথবা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি খুদিংমক থা ৬ তগী হেনবা য়াররোই।

ইনক্বারিগী রিপোর্ট অমা দিসিপ্লিনরি ওঠোরিটিগী কম্মেন্টকা লোয়ননা য়ু পি এস সীদা পীশিনগদবনি। ওফিসরশিংনা মরাল লৈরম্বা থোক্লবদি অথুবা মতমগী মনুংদা চৈরাক পীবা য়ানবগীদমক অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎপনি হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্সনেল জিতেন্দ্র সিংহগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মাইনোরিটি ইন্সটিট্যুসনশিংগী প্রিন্সিপল খনবদা মনুং-মপান ফাওনা উবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা মীচং মীখায় নাইরোইদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

# চহী খুদিংগী মিলিটরি পার্সনেল ১০০ হেন্না সুইসাইদ তৌরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সী):
মথং-মথং পাল্লকখিবা গভর্ণমেন্টশিং লান্মীশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা লৈখ্রবসু চহী খুদিংগী মিলিটরি পার্সনেল ১০০ হেন্না মশা মথন্তা শিজবগী থৌওং চথুরি।

হৌখিবা চহীদা মিলিটরি পার্সনেল ১২৫ সুইসাইদ তৌদুনা শিখি। লোক সভাদা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স সুভাস ভামরেনা হায়খি, মমাঙ চহীদা লান্মী ১০১, এয়রমেন ১৯ অমসুং সেলর ৫ মশা মথন্তা শিজখি। এয়রফোর্স, নেভি অমদি আর্মিদা লান্মী মশেল হাৎনবগী থৌদোক অহুমসু থোকখি।

চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা আর্মি জৱান ১৩ মশা মথন্তা শিজবা লৈখ্রে। ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ওইনদি সুইসাইদকী কেস ২ রিপোর্ট তৌরকখি। অথাপ্পা অমদি মনুং-হঞ্জিনবা মফমদা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংনা ময়ুমদা মতম চানা হন্নবগী খুদোংচাবা ফংদবা অমসুং ময়ুমগা লাপথোক্লরকপগী ৱাখল নুংঙাইতবা মরম্না মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক হেক-হেক থোকপনি হায়রি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমদি অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন চথুবা য়াওরিবা লান্মীশিংগী ওইনসু পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নবা থেংনখি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা থাগী তোলোপ মতিক চানা পীদবা অমসুং তঙাইফদবা খুদোংচাবশিং মরাং কায়না ফংহন্দবনা লান্মীশিংগী ৱাখলদা নীংহন্নবা হেক-হেক পোকহল্লি হায়রি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা ভামরেনা হায়খি, লান্মীশিং মশা মথন্তা শিজবগী চাং হন্থহন্নবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। মতম-মতমগী ওইনা লান্মীশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীবগা লোয়ননা থাগী তোলোপ হেনগৎহনবা অমসুং অতৈ খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবসু হোৎনরি।

মকোক থোংবা ওফিসর কয়াগী কাউন্সেল্লর ওইনা ট্রেনিং পীরগা জৱানশিংদা কাউন্সেল্লিং পীহন্নবা থৌরাং কয়াসু লৌখৎলি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। সিভিলিয়ন সাইকোলোজিকেল কাউন্সিল্লর কয়াসু মতাং-মতমগী ওইনা নেক্তুনা লান্মীশিংদা পূক্নিং ৱাখল ফাথহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

পুন্নমক অসি ওইদুনসু লান্মীশিংনা মথৌ তৌরিবা মফম অদুগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সিভিল পুলিসনা লান্মীশিংগী খুদোংচাদবা খঙবীদবা মরম্না প্রোব্লেম অসি মপুং ফানা লোইশিনহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মিনিষ্টরনা হায়খি, লান্মী অমনা খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিবসি লাপ্পা লৈহৌরবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং মতৌ করম্না লৈরমগদগে হায়বগী ৱাখল খনবদনি।

# দিমোনেটাইজেসনন জি দি পিদা পীবা চৈথেং কোকখ্রে; ইনফ্লেসনগী চাং ৱাংখৎলকপা য়াই : আর বি আই

মুম্বাই, মার্চ ১১ (এজেন্সী):
রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না হায়খ্রে মদুদি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংদা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি)দা পীবা চৈথেং কোকখ্রে। অদুমওইনমক দিজিটেল ইকনমিদা মায় ওনশিন্দবা তারবদি ইনফ্লেসনগী চাং ৱাংখৎলকপা য়াই।

*মেক্রো ইকনমিক ইম্পেক্ট ওফ দিমোনেটাইজেসন* হায়না মিংথোনবা রিপোর্ট অমদা আর বি আইনা হায়খি, লুপা ত্রিলিয়ন ১৫.৬ লোমগী ভেল্যু ওইগদবা লুপা ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদ্রে। শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা বেঙ্কিং সিষ্টেমদা হল্লকখিবা অপূনবা শেনয়েক কয়ানো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অথুবা মতমদা হীরম অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পুথোক্কবা হোৎনরি।

মোনেটরি পোলিসি দিপার্টমেন্ট (এম পি দি)না অতৈ অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংগী মতেং লৌরগা অনৌবা রিপোর্ট অসি থাদোরকখিবনি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংনা জি দি পিদা পীরম্বা চৈথেং কোকহনবা ঙল্লে। অদুমওইনমক দিমোনেটাইজেসনগী চৈথেং ওইনা ইনফ্লেসনগী চাং ৱাংখৎলকপা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, দিমোনেটাইজেসনগী খুদোংচাবা লৌরগা মীওই খরনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা জালি নোট চাইথোরকপগী থৌওং চথুরকখ্রে। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৫ দা দিল্লিদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী এ টি এম অমদগী লৌথোকপা লুপা ২০০০ চৎপীগী শেনয়েক্তা জালি নোট য়াওরম্বা থেংনখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী শাহজহানপুরদসু এস বি আইগী এ টি এমদগী লৌথোকপা শেনয়েক্তা জালি নোট য়াওরম্বা থেংনখি।

পুনিট গুপ্ত কৌবা শাহজহানপুরগী মীওই অমনা এ টি এমদগী লুপা ১০,০০০ লৌথোকখি। লুপা ২,০০০ চৎপী শেনয়েক মঙাগী মনুংদা জালি নোট অমা য়াওরম্বা থেংনখিবনি। গুপ্ত অমদি এ টি এমগী ক্যু লেপ্পদা য়াওবা অতৈ মীওইশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মরী লৈনবা এস বি আইগী ওফিসলশিংদা ৱাকৎখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা মপুং ফানা ইনক্বারি চখনবা তকশিনখি। মতৌ করম্না এ টি এমদা জালি নোট য়াওরল্লিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা খঙদোক্লবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না মীয়াম্না ঈরাং হৌরকপদগী পুলিস কৌদুনা মীয়াম্বু লাকশিন্নবা হোৎনখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা গুপ্তনা এস বি আইদা হৌনবী মতুংইন্না অইবা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখি।

ন্যু দিল্লিগী সঙ্গম বিহারদা লৈবা এ টি এম অমদগী মীওই অমনা শেল লৌথোক্লুবদা "চিলদ্রেন বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া" হায়না থাবা লুপা ২০০০ চৎপী জালি নোট ৪ য়াওরম্বগী থৌদোক অমসু লৈখ্রবনি।

ফেব্রুৱারী ৬ তা রোহিট কুমার কৌবা কষ্টমর ক্যের ইগজিক্যুটিব অমনা সঙ্গম বিহারদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই)গী এ টি এম অমদগী শেল লৌথোকখি। মদুদা জালি নোট ৪ য়াওরম্বা থেংনখিবনি। হায়রিবা জালি নোট অদুদা ওফিসল ৱাটর মার্ককী মহুৎতা "চুরান" হায়না ইরম্বা থেংনখি। আর বি আইগী ষ্টাম্প য়াওগদবা মফমদা পি কে হায়না ইরম্বা থেংনখি। রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া হায়না ইগদবা মফমদনা ভারতিয়া মনোরঞ্জন বেঙ্ক হায়না ইরম্বা থেংনখি।



টৈংপাংপোৎ/লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ক্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3729/03/03-05/04